# ইম্ফাল-মন্দলে বস সার্ভিস লৈখাই তাদ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ২৯ঃ প্রাইম মিনিষ্টর ডাঃ মনমোহন সিংহগী ম্যান্মারগী খোঙচৎতা লৈবাক অনি চৎথোক-চৎশিন তৌনবগী ৱাফম য়াম্না মরুওইবা এজেন্দা অমা ওইজরগসু ইন্দিয়াগী মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনদুনা লাক্লুবা ইম্ফাল-মন্দলে পেসেঞ্জর বস সার্ভিসকী মঙলান অদুমদি মঙফাওনবদা মতম খরা চংখিগদৌরি হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা হায়রি।

ইন্দিয়াগী চিদাইদা লৈরিবা মণিপুরগী কোনুং ইম্ফাল অমসুং ম্যান্মারগী মতম অমদা কোনুং ওইরম্বা মন্দলে অনিগী মরক্তা চয়োলগী ওইনা চেনগদৌরিবা ট্রান্স- বোর্দর বস সার্ভিস অদু প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ মনুংদা য়ানবা পুরক্কুনা মরী লৈনবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিংদা সহি তৌনবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগা নিউ দিল্লিনা নিংবা কায়বগুম্না তৌরি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ম্যান্মারগী অনৌবা কোনুং নেপিদো দা এগ্রিমেন্ট অমসুং এমওয়ু কয়া সহি তৌনখিবগী মনুংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা পেসেঞ্জর বস সার্ভিস অমা লৈহন্নবা চুক্তি অদুদি য়াওখিদ্রে।

ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টরনা নোংমাইজিং নুমিৎতা নিপিদো দা খোঙশানদ্রিঙৈ মমাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা শেম শাখ্রবা প্রপোজেল অদু মমাংগী চয়োলদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইনদি মপুং ফানা নিংথিনা থৌরাং তৌদুনা লৈরবনি।

অদুম ওইনমক লৈবাক অনিগী প্রজাশিংগী মরক্তা মরী লৈনবা অমদি নুংশিনবা হেনগৎহন্নবগী পান্দম থল্লিবা বস সার্ভিস লৈহনবগী প্রপোজেল অদুগী মতাংদা নিউ দিল্লিনা ম্যান্মার গভর্নমেন্টকী মফমদগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লকপা তাবা ফংখিদ্রে।

পুন্নমক অসিনা মরম ওইরগা হৌজিকমক্কী ওইনদি ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা নাকল অনিনা নেপিদো দা পুন্না থাদোকমিন্নখিবা চেরোল অমদা পল্লিবা ‘‘লৈবাক অনিমক্না ইন্দিয়াগী ইম্ফালদগী মন্দলে ফাওবা ট্রান্স-বোর্দর বস সার্ভিস অমা চেলহনবদা য়ানরে’’ লুচিংবা অনিমক্না লৈবাক অনিগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা সার্ভিস অসি অথুবা মতমদা হৌহন্নবা থৌরাং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।